# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 12-05-2024)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-থা অসিগী মঙাদা লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা লৌমীশিংনা থারিবা মনা-মশিং কয়া অমাং অতা থোকখিবা অদুগীদমক সরকারনা তঙাইফদবা মতেংশিং পীনবা হোৎনরি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-লেননা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। মসিগী মনুং চন্না ঙরাং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা লৌমীশিংগী অৱাবদা শরুক য়াখিবা অসি য়ামা থাগৎনিংঙাইনি।

মহাকা হায়-হন্দক থোকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা অমাং অতা থোকখ্রবশিংগী রিপোর্ট লৌমীশিংদগী লৌখৎলি। সরকারনা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পোৎলমশিং অমদি তঙাইফদবা মতেংশিং পীরি।

**নোংমৈ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উৎলৌদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নুপী অমা মখোংদা নোংমৈনা কাপ্পল্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্পল্লিবা নুপী অদু তেন্থা খুনৌদগীনি। হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেল সিনেমা হোলদা মনাক্তা ভারাদা লৈবনি। মহাক ঙরাং নুমিদাং নম্বোল সি.ঐচ.সিদা লায়কন্নরবা মতুংদা রিমস হোস্পিতালদা মখা তানা লায়েংলি।

**মোটার(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা

লাইমনাই মমাং চিংখোংদগী অনিশুবা লানজাউগী মতমদা শিজিন্নরম্বা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মোটার সেল অমা ঙরাং ফংলে।

মোটার সেল অসি হৌজিক ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা থল্লি।

**গ্যাস (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথাবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদা ঙরাং হেন্দ পম্প হুৎপদা মিথেন গ্যাস ওইগনি চিংনবা ঈশিংগা লোয়ননা গ্যাস কাপথোরকপা থেংনরে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মফম অদুদা মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী ওফিসিএলশিংনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি। হীরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা ৱারী শান্নবদা, বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর-ডা: টি. ব্রজাকুমারনা হায়-হৌজিক হৌজিক হেন্দ পম্প হুৎলিবা মফম অসি মমাংদা ফুমদি-হাওদি ওইনা লৈরম্বা মফমনি। মরম অদুনা কার্বোন গ্যাসশিং লৈরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মদুমকা গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈরম্বা মফম ওইবনা লৈনাংগা লোয়ননা গ্যাস অসি কাপথোরকপনি। গ্যাস অসিনা হৌজিমক্কী ওইনা অকোইবদা লৈরিবা মীওইশিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইগনি হায়বা থাজদে। মখা তানা য়েংশিনবগী থবক চথরি।

**রিলিফ(এল)ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা খনখ্রবা কমিতি ওন রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসন ইন মনিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নখ্রে অমসুং মখোয়গীদমক তৌহন্নিংবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা জিলা অসিগী লৌকোইপাৎ নাকনদা লৈবা ওল মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতসু চৎতুনা কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি। মদুদা কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গীদমক শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা অমদি মখোয়না শারিবা পোৎলমশিং অসি

য়োন্নবা মতিক চাবা কৈথেল অমা থমহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি। খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রম, এ.দি.সি. ঐচ. বোবী শর্ম্মা অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অতৈ ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

জষ্টিস-গীতা মিতল, ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. খুমন্থেম দাইনা, এস.দি.ও. শওম্বুং, এস.দি.সি. শওম্বুং অমদি অতৈ বিভাগশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না নোংঙাদা সি.ঐচ.সিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা মখোয়গী ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে।

**পোক্সো(এল)ঃ** পোক্সো এক্ট অমসুং জ্বিনাইল জষ্টিস এক্টকী মতাংদা মীয়ামবু খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লৈবা এল.ও.আই.এসকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা এক্টশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামদা শুগাইনা খঙহনখি। মদুদা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিং, হেল্পর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**বুক (এল)ঃ** মরিং লিটরেচর সোসাইতি (এম.এল.এস) না শিনদুনা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) গী করিকুলমদা তমনবা নাইন অমসুং টেনগী মরিং ফুরুপকী টেক্স বুক অনি ঙরাং ফোংখ্রে।

তেংনৌপল জিলাগী মচি ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা খুরখরথিল কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা তমেংলোং জিলাগী দি.সি. এল. অনশিং দাসৱা অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইস ফুটবোল লিক্কী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা

রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা টি.জি.ই.এসপু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**নর্স (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ঙসি মনিপুরদসু ইন্টরনেসনেল নর্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসি ত্রেন্দ নর্স এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া এন্দ এস.এন.এ. মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি টি.এন.এ. জেনিমসনা শিনদুনা জেনিমস-পোরোম্পাৎ পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মনিপুর সরকারগী হেলথ সার্ভির্সেস দাইরেক্তর-ও. সনাহনবী অমদি জেনিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-এল. দেবেন শরুক য়াগনি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবা মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রে।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯৬ তা ভোট থাদনগনি। মীখল পাঙথোক্কদবা লোক সভা সিটশিং অদুদি-উত্তর প্রদেসতা ১৩, মহারাস্ত্রাদা ১১, মধ্য প্রদেস অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা ৮-৮, বিহারদা ৫, ঝরখন্দ অমসুং উরিষ্যাগী মরি-মরি অদুগা জম্মু কাশ্মির য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী সিট অমনি।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না জম্মু প্রোভিন্সকী মফম তরুক্তা ঙরাং থিবা হুন্থগী থবক চখ্খ্রে।

মফমশিং অসিদা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লককপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী থিবা হুন্থগী থবক অসি চখ্খিবনি। দোদা, রামবন অমসুং কিটসৱার জিলাগী মফমশিংদা থিবা হুন্থগী থবক অদু চখ্খি।

মরক অসিদা, জম্মু কাশ্মির পুলিসনা পাকিস্তানলোমদগী চেনশিল্লক্তুনা

উদমপুর জিলাগী বসনঘর এরিয়াদা চেনশিনখিবা অমদি মফম অদুগী ভিলেজ দিফেন্স গার্ড হাৎপদা চেন্নবা টেরোরিষ্ট তরুক্কী ফোটোশিং ফোংদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকা নকবা ম্যান্মারগী মফম অমদা খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপবগী পাউ, লেননা মাঙহন তাকহনখ্রবা মহৈ-মরোংশিং হোর্টিকলচরকী ওফিসিএলশিংনা য়েংশিনখিবগী পাউ অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অনি কনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ঙমখৈদা হুমনি মরিনি কন্না কাপখ্রে। অশি-অনা, অশোক অপন ময়াম য়াওখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু মরুওইবা পাউশিং ওইনা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

লৌ পরি ৪০০-৫০০ রোমগী মহৈ মরোং মাঙ তাকখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-বি.জে.পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসি ৱার্কশোপ অমদা শেন্বা মথৌ তারে হায়বা নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লুপকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। লেন নংলবা তরবুজশিং হৈ-মহি শেমদোক্কদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকা নকবা ম্যান্মারগী মফম অমদা খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা অকনবা লান শোকরি। ম্যান্মারদা বেজ তৌবা লালহৌলুপ পি.দি.এফ. অমসুং কে.এন.এফ (বি) না নোর্থ ইষ্টকী লালহৌলুপ অমগী কেম্পতা এটেক চথবনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। বি.জে.পিগী ওইনা চহি ৭৫ শুরবা পোলিটিসিয়ানশিংবু পোলিটিক্সতগী

পোথাহল্লকপনা মথং চহিদা চহি ৭৫ শুরগদবা মোদিনা প্রাইম মিনিস্তর ওইররোই হায়বা অরজন্ কেজ্রিৱালগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বজ্র তারকপদা নহা অমা লৈখিদ্রে, অমা শোক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি-অয়াম্বা পাউ-চেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা সেক্স ৱাকর অনি ফারে, অমা মখোংদা কাপ্লল্লে হায়বা পাউগা লোয়ননা ময়াই কাবা দ্রগ শিজিন্নবা অনি কাপ্লল্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ম্যান্মারগী রিফ্যুজিশিং থিনদোকপা লেপবা আই.সি.জেনা খণ্ডহল্লকখ্রে। লৈঙাকা মশক খঙবা মীতোপ লিশিং ৫,৪৫৭ কামজোংদা লৈরি হায়বা পাড অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-উমং কোকথোকপগী মায়োক্তা নেসনেল গ্রীন ত্রাইব্যুনেলনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। শকখঙদবশিংনা ফাজিল্লুবা মীওই অনি পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে। চেন্নবা তরুক ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি চহি ৭৫ শুরবসু মফম শিনে দাক্লোই হায়বা অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পোপী পান্বী থাবদগী উমং মাংশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা নেসনেল গ্রীন ত্রাইব্যুনেলনা হকচিন্না লৌবগী থৌওং থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-লেন মাঙহন তাকহনখ্রবা মহৈ মরোংশিং হোর্টিকলচর ওফিসিএলশিংনা য়েংশিনখ্রে। অৱাবা নংলবা লৌমীশিংগী মতেং অথুবদা পীরগনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকল অমদি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা অনৌবা কোবিদ কেস থেংনরে হায়রবসু মীপায়নিংঙাই ওইদে। কোবিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাকা চৎপীয়ু হায়বা জেনিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার এল. দেবেনগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-চেন্নাইদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা মনিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবা ঙরাং নুমিদাং মৈরা কৎতুনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মীওই কয়া ইস্কোলগী চে-চাং পায়রমদবা থেংনরে হায়না মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা রিভিন্যু দিপার্টমেন্টতা মরাল শিরক্লি হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-শজিৱা জেলদা লৈরকখিবা কুকি বন্দি ১৫ কোর্টুদা শিন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।